# ময়ূম লৈত্রবা রোহিংয়াশিংনা ম্যান্মারগী লালহৌবগী ঈরাং মখা তানা শৌগৎলি



কোক্স বাজার, ওক্টোবর ০৫ :

মশাগী চহী ২৮ শুরবা দুকান ফম্বা রোহিংয়া মুস্লিম মোহম্মদ রশিদতা নৌনা শেন্বা মুস্লিম লালহৌবা গ্রুপ অমগী ওর্গনাইজরশিংনা নুমিদাংগী মতমদা ঙক্লিঙাই ওইরবা ফোন কোল অমা তৌরকখি।

'শেম শারো' হায়বসিনা নুমিৎতুগী মেসেজ ওইরম্মী। অমম্বদা অহাংবা লৌবুক অমদা পাঙথোকপা মীফম অমগী মতুং পূং খরা লৈরগা ম্যান্মারগী বোর্দর গার্দ পুলিস পোষ্ট অমদা থাঙশাংশিং, য়ূমদা শাবা বোমশিং অমসুং হেন্দগন খরগা লোয়ননা এটেক তৌখিবা নুপা ১৫০ গী মনুংদা মহাকসু য়াওখি। অতেনবা লান অমা লোইবদা মহাক্কী খুঙ্গংদা মহাক্না লোয়ননা হৌমিন্নরকখিবা মীওই তরুক শিরম্মী।

'ঐখোয় ট্রেনিং তৌখিদে, খুৎলাইসু লৈখিদে' হায়না থা অনীগী মমাঙদা গ্রুপ অদুদা য়াওখিবা ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটকী রথিদোং এরিয়াদগী হৌখিবা রশিদনা ফোঙদোকখি।

অরাকান রোহিংয়া সালভেসন আর্মি (অর্সা) না হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ গী অঙনবদা পুলিস পোষ্ট দজন কয়াদা চথুখিবা এটেকশিংদা শরুক য়াখিবা রশিদকুম্বা মীওইশিংনা লীবা ৱারীশিংদগী তুংদা করি তৌগদগে হায়বা খঙনদ্রবা, খোইশাওনরবা অমসুং উপাই লৈত্রবা খুঞ্জাশিংসু অর্সাগী লান্মীশিং ওইখি হায়বসি খঙখি। মখোয় লোয়নমক গ্রুপ অদুনা এ কে - ৪৭ রাইফলশিং পায়হনগনি হায়না গ্রুপ অদুনা থাজবা পীখিবা মতুং মমৈথংদা উতুপ-ৱাতুপ অমসুং থাং পায়রগা লান শোক্লখিবা ঙাক্তনি।

পাউদমশিং অমসুং ৱারীশিংদুগী মতুং ইন্না, পংকুই কুইদ্রিবা মতম জুন থা ফাওবদা মীওই চা কয়া গ্রুপ অদুদা য়াওখি অমসুং গ্রুপ অদুগী মেম্বর ওইবা হায়বসি য়াম্না কোন্বা মওংদা পোপ্যুলর মোবাইল মেসেজিং এপ ৱাটসএপকী খুত্থাংদা লীদরশিংদগী মেসেজ লাক্লগা থাঙ মচা অমা পায়রগা ওইনখি।

রোইটর্জনা হৌজিক বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা গ্রুপ অদুগী ফাইটর খরা অমসুং মেম্বর কয়া লোয়ননা ম্যান্মার আর্মিগী ওফেন্সিভ অমদগী নাম্থোক্তুনা বোর্দর লাল্লগা চেল্লকখিবা য়াল্লবা রোহিংয়া রেফ্যুজী-শিংগী মরক্তগী মীওই দজন কয়া ইন্টরভ্যু তৌখি। রোহিংয়া মুস্লিম লালহৌবশিং তকথোকপগী মীংদা ম্যান্মার আর্মিনা চথরিবা অকনবা মিলিটরি কেম্পেইনবু মাইনোরিটি কাঙলূপ অসিবু মুত্থৎনবা হোৎনবনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোকখ্রবনি।

কুমজা ২০১৬ তা শেমখিবা অর্সাগী প্রেস রিলিজশিং অমসুং মসিগী লীদর অতা উলাহগী ভিদিও মেসেজশিংনা হায়রি মদুদি, গ্রুপ অসিনা বুদ্ধিষ্টশিংনা মশিং য়াম্বা ম্যান্মারদা মতম শাংনা ওৎপী-নৈবীরক্লবা ষ্টেট লৈতবা মুস্লিম মাইনোরিটি কাঙলূপ রোহিংয়াগী রাইটশিংগীদমক্তা লান্থেংনরিবনি।

# রশিয়ানা এয়রষ্ট্রাইক চথদুনা রেবেলশিংগী লৈনুংগী খুৎলাই পৈফম থুগায়খ্রে

মোস্কো, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সি):

সিরিয়াদা রশিয়ন প্লেনশিংনা এয়রষ্ট্রাইক কয়া চথদুনা হয়াট টহরির অল-সামগী অচৌবা লৈনুংগী খুৎলাই পৈফম অমা থুগায়খ্রে হায়না রশিয়ানা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

রশিয়ন এভিয়েসননা অবু দুহুরগী মনাক্তা অল কাইদাগী হান্নগী সিরিয়া এফিলিয়েটনা লূচিংবা এক্সট্রিমিষ্ট এলাইঅন্স - হয়াট টহরির অল-সামগী লৈনুংদা ফুমজিন্দুনা থম্বা য়াল্লবা খুৎলাই মপৈ অমা থুগায়খ্রে হায়না ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ইগোর কোনসেনকোভনা নোর্থৱেষ্টর্ন ইদলিব প্রোভিন্সকী টাউন অমা পল্লদুনা হায়খি।

ম্যুনিসন দিপো অদু লৈনুংদা লোৎতুনা থম্লমখি অমসুং মদুদা টন লীশিং ২ হেনবগী খুৎলাইশিং য়াওরমখি হায়না মহাক্কী ৱারোল অমনা ফোঙদোকখি।

রশিয়ানা ফোঙদোকখি মদুদি রশিয়ন এভিয়েসননা দিপো অদু লৈনুংগী টার্গেটশিং থুগায়নবা অখন্ননা ডিজাইন তৌবা হাই পাৱর আর্টিলরি শীজিন্নদুনা থুগায়খি।

'ষ্ট্রাইকশিং অদুদা অল নুশরা ফ্রন্টকী ইষ্টর্ন সেক্টরগী লীদর তরেৎ য়াওনা ফাইটর ৪৯ সু শিখি। অল-নুশরা ফ্রন্ট অসি কুমজা ২০১৬ কী ময়াই থংবা শরুক্তা মরী তৎনদ্রিফাওবা সিরিয়াদা লৈবা অল কাইদাগী এফিলিয়েট অমা ওইরম্মী। অল কাইদাগা মরী তৎনরবা মতুংদা ফ্রন্ট অসিনা হয়াট টহরির অল-সাম কৌবা অনৌবা এক্সট্রিমিষ্ট এলাইঅন্স অমা শেমদুনা হৌজিক ইদলিব প্রোভিন্সকী চাউরবা মফমশিং কন্ট্রোল তৌরিবনি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হয়াট টহরির অল-সামগী লীদর অবু মোহম্মদ অল-জোলানি ফিভম লুনা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রশিয়ানা তৌখিবা ক্লেম অদু শৌগৎলদুনা মহাক কোমাদা লৈরি অমসুং ষ্ট্রাইকশিং অদুনা ইদলিব প্রোভিন্স অপূম্বগী টেররিষ্টশিং কাং-খোং চাইহনখ্রে হায়খি।

অমরোমদা এলাইঅন্স অদুনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রশিয়াগী ক্লেম অদুবু রিজেক্ট তৌখ্রে অমসুং এলাইঅন্স অদুগী লীদর জোলা অশোক-অপন অমৎতা থোক্তনা লৈরি হায়খ্রে।

সিরিয়াগী সিভিল ৱারদা চঙশিন্দুনা বাশর অল-অশাদকী রেজিমগী মায়কৈদা লান্থেংনরকখিবা রশিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা জোলানিগী সিক্যুরিটি চীফ য়াওনা এক্সট্রিমিষ্ট কোলিসন অদুগী লীদর ১২ হাৎখ্রে হায়খিবনি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৮ দা য়ূমলোন্নবা হামাস প্রোভিন্সতা ডিপ্লোই তৌবা রশিয়ন মিলিটরি পুলিসতা এক্সট্রিমিষ্টশিংনা এটেক অমা চথখিবা মতুংদা সিরিয়ন রেজিম অমসুং রশিয়ানা ইদলিব প্রোভিন্সতা অকনবা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথরকখিবনি।



# এম্বুশতা য়ু এস অমসুং নিগরগী লান্মীশিং শিখ্রে



নিয়ামি (নিগর), ওক্টোবর ০৫ :

মালিগা তাইনবা নিগরগী বোর্দর লম মনাক্তা চথখিবা এম্বুশ অমদা য়ু এসকী লান্মী অহুম শিখ্রে অমসুং অতৈ অনীনা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

এটেক অদুদা নাইজিরিয়ন লান্মী কয়াসু শিখ্রে হায়না রিপোর্টশিং অদুনা ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী অফ্রিকা কম্মান্দনা ফোঙদোকখি মদুদি, পেট্রোল পার্টিদা এটেক তৌরকখি অমসুং কম্মান্দ অসিনা এটেক অদুগী অকুপ্পশিং কনফার্ম তৌনবা হোৎনরি।

অল-কাইদাগী নোর্থ অফ্রিকা ব্রাঞ্চ য়াওনা লমদম অদুদা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিং থেংনবদা মতেং পাংনবা য়ু এস আর্মিনা নিগরগী আর্মিদা ট্রেনিং পীদুনা লাকখি।

লালহৌবশিং অদু য়ূমলোন্নবা মালিদনা খ্বাইদগী হেন্না এক্টিভ ওই। কুমজা ২০১৩ লৈবাক অদুদা ফ্রেঞ্চ ট্রুপশিং চঙশিন্দুনা লালহৌবশিংবু কেপিটেল তম্না চঙবা থিংখি।

খারোমদা নাইজিরিয়াদা বেজ ওইবা বোকো হারাম গ্রুপনসু নিগরদা এটেক কয়া চথবা লৈখ্রে।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পপু মহাক্কী চীফ-ওফ-ষ্টাফ জোন কেলিনা এটেক অদুগী মতাংদা ব্রীফ তৌখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসকী স্পোক্সপর্সন সারাহ সেন্দর্সনা ফোঙদোকখি।

ন্যু য়োর্ক টাইমসনা মিলিটরি ওফিসল অমা পল্লদুনা হায়খি মদুদি, নিগরগী কেপিটেল নিয়ামিগী অৱাংদা কিলোমিটর ১৩৯ লাপ্পা মফমদা চথখিবা এম্বুশ অদুদা য়ু এস আর্মিগী স্পেসল ফোর্সশিং আর্মিগী গ্রীন বেরেট অহুম শিখি।

মখোয়দু নিগরদা য়ু এসকী অফ্রিকা কম্মান্দ ডিপ্লোইদ তৌখিবদগী এটেক চথরকপদা শিখিবা অহানবা অমেরিকানশিংনি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

অশোকপা য়ু এস লান্মী অনীগী ফিভম নুংশা থীনিঙাই ওইদ্রে অমসুং মখোয় ট্রিটমেন্ট তৌনবগীদমক্তা জর্মনিদা পুরগনি হায়না সি এন এননা ফোঙদোকখি।

নিগরগী টিলাবেরি রিজনগী ওফিসল অমনা রোইটর্জদা ফোঙদোকখি মদুদি, শিখিবশিংদুগী মনুংদা নাইজিরিয়ন লান্মী মঙাসু য়াওখি।

কনানা নৎত্রগা করম্বা কাঙবুনা লান্মীশিংদুদা এটেক তৌরিবনো হায়বদু ওফিসলশিংনা হায়বা ঙমখিদে।

লমদম অদুদা অল কাইদাগী এফিলিয়েট অমা ওইরিবা অল-কাইদা ইন দ ইস্লামিক মঘরেব (এ ক্যু আই এম) গী মিলিটেন্টশিং এক্টিভ ওই অমসুং মখোয়না বোর্দর লান্না রেইদ কয়া চথদুনা লাকখি।

# য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শৌগৎপা ইরাকি ফোর্সশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটতগী হৱীজা টাউন হন্দোকখ্রে

বাঘদাদ, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সি):

য়ু এসনা শৌগৎপা ইরাকি গভর্নমেন্টকী ফোর্সশিংনা নোরদর্ন টাউন হৱীজা অমসুং মসিগী অকোইবা এরিয়া আই এস আই এসতগী অমুক হন্না লৌশিল্লে হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

নোরদর্ন ইরাকতা লৈবা আই এসকী অরোইবা ষ্ট্রোংহোল্ডনি হায়না লৌনবা হৱীজাবু লৌশিনবসিনা ইরাকতা আই এস আই এসনা কন্ট্রোল তৌবা মফম অসি সিরিয়াগা তাইনবা নোংচুপ থংবা বোর্দর পরিংগী লম মচেৎ অমতমক ঙাইহৌরগনি হায়রি।

খোঙচৎ অমদা পেরিসতা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অলিনা হায়খি মদুদি, আই এসকী মায়োক্তা শোক্লবা লাল অসি হৌজিক্তি সিরিয়াগা তাইনবা বোর্দর জোনদা তারগনি। হৱীজা সিটি লিবরেট তৌরে হায়না ঙসি ঐহাক্না লাউথোক্লি। মসি ইরাক খক্তগী মায় পাকপা নৎতে মালেম পূম্বগী মায় পাকপনি হায়খি।

হৱীজাবু অমুক হন্না লৌশিন্নবা হোৎনবগী থৌরাং অদু ইরাকি সিক্যুরিটি ফোর্সশিং, সিয়াইট আর্মদ গ্রুপশিং অমসুং কর্দিশ পেশমর্গা ট্রুপশিংগী মরক্তা পোলিটিকেল ইথিল চঙনবদগী লুশিনহনখি। টাউন অসি কর্কক গভর্নমেন্টকী শরুক অমনি। টাউন অসিনা মরম ওইদুনা বাঘদাদকী সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট অমসুং ইরাক্কী নোরদর্ন কর্দিশ ওটোনোমস রিজনগী মরক্তা মুক্লরিবনি।

বাঘদাদকী অৱাংদা মাইল ১৫০ (কিলোমিটর ২৪০) রোম লাপ্পা লৈবা টাউন অসিবু অমুক হন্না লৌশিন্নবগী ওপরেসন অদু মমাঙ থাদা ইরাকি ফোর্সশিংনা ইরাক্কী চাউরবা নোংচুপ থংবা অনবার প্রোভিন্সতা লৈবা আই এসকী লোৎফমশিং থুগায়খিবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা হৌখি।

থা অসিগী অঙনবদা ইরাকি অমসুং য়ু এসনা লূচিংবা কোলিসনগী প্লেনশিংনা আই এসকী বেজশিং অমসুং খুৎলাইগী ফেসিলিটিশিং টার্গেট তৌদুনা হৱীজাদা এয়রষ্ট্রাইকশিংগী কেম্পেইন কনখৎখি।

আই এসনা পায়রম্বা লমশিং থুনা মাঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৪ দা ইরাক্কী লম অপূম্বগী শরুক অহুম থোকপগী অমা অমসুং য়ূম্লোন্নবা সিরিয়াগী শরুক খরসু য়াওখিবা কলিফেট থুনা কাইশিল্লকপা উখি। ৱেষ্টর্ন প্রোভিন্সতা গ্রুপ অসিনা মখা তানা পায়রিবা টেরিটরি অদু য়ুফ্রেটিস তুরেলদা সিরিয়াগা তাইনবা বোর্দর পরিংদা লৈ।

ঐখোয়না মসিগী টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অসি মফম খূদিংমক্তা তানগদবনি। মসি মফম খূদিংমকপু ঈরাং লৈহন্নবা শিল্লিবা খুদোংথীনিঙাই ওইরবা ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না অল-অজাদিনা ফোঙদোকখি।

পেরিসতা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুঅল মেক্রোননসু ইরাকি গভর্নমেন্ট অমসুং নীংতম্বগী রেফরেন্দম পাঙথোকখিবা কর্দশিংগী মরক্তা ফ্রান্সনা ৱাতেম্বা পামই হায়না ফোঙদোকখ্রে।



# ট্রম্পনা সিনেট ইন্টেলিজেন্স কম্মিটি ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সি) :

রশিয়া অমসুং ট্রম্পকী কেম্পেইনগী এসোসিয়েটশিংগী মরক্তা লোন্না খূৎশম্নখি হায়বা ৱাফমগী মতাংদা থিজিনবগীদমক্তা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা সিনেট ইন্টেলিজেন্স কম্মিটিবু ক্রিটিসাইজ তৌরি।

ট্রম্পনা শগোলশেন নুমিৎতা ত্বিটরদা করিগীদমক্তা সিনেট ইন্টেলিজেন্স কম্মিটিনা 'ঐখোয়গী পাউ ময়াম অমা শেমজিন-শাজিল্লি হায়বসি খঙনবগীদমক্তা ঐখোয়গী লৈবাক্কী ফেক ন্যুজ নেটৱার্কশিংবু য়েংশিনদ্রিবনো' হায়না ইখি।

কম্মিটিদুগী লীদরশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা থা মাপনলোম থিজিল্লকপদুদা মখোয়না ২০১৬ কী প্রসিদেন্সিয়ল মীখল অদুগী মায়ওন থৈহন্নবা রশিয়ানা ট্রম্পকী কেম্পেইনগা শিন্নবা লৈখিবরা হায়বগী মতাংদা মখোয়না ৱারেপ লৌদ্রি হায়খি।

# জপানিজ রিপোর্টর ১ পূং ১৫৯ ওভরটাইম শুবদগী শিখ্রে

টোকিয়ো, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সি) :

জপানগী পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেনা মসিগী রিপোর্টরশিংগী মনুংদা অমা কা হেন্না থবক শুবদগী শিরে হায়না ফোঙদোকখ্রে। মশাগী চহী ৩১ শুরবী পোলিটিকেল রিপোর্টর নুপী অদু কা হেন্না পূং শাংনা থবক শুবদগী হার্ট ফেল ওইদুনা শিখিবনি হায়বসি লেবর ওফিসলশিংনা কনফার্ম তৌখ্রে হায়না এন ঐচ কেনা ফোঙদোকখি।



এন ঐচ কেনা ফোঙবা ন্যুজ ষ্টোরি অমগী মতুং ইন্না, কুমজা ২০১৩ দা শিখিবা মিৱা সাদো মহাক্না শিদ্রিঙৈ মমাঙগী থা অদুদা পূং ১৫৯ ওভরটাইমদা থবক শুখি। মহাক শিখিবগী ৱারী অসি হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

# থাউ হন্থনা পুথোকপগী ৱাফম সাউদি অরাবিয়ানা য়ানিংবা ফোঙদোকখ্রে

*মোস্কো, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সি) :*

*থাউগী সপ্লাইশিং ককথবগী মতাংদা ওপেক, রশিয়া অমসুং অতৈ থাউ পুথোকপা লৈবাকশিংগী মরক্তা য়ানখিবা দীল অমবু মতম শাংদোকহনবগী ৱাফমদা সাউদি অরাবিয়ানা অচেৎপা ফিরেপ লৌখিদ্রবসু মোস্কোনা পেক্ট অদুবু মথং চহী ২০১৮ লোইবা ফাওবা শাংদোকহন্নবা হৌদোরকখিবা ৱাফমবুদি খন্নবা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়রি।*

*প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা মার্চ থাদা লোইগদৌরিবা সপ্লাই হন্থহন্নবগী দীল অদু মথং চহী লোইবা ফাওবা চৎনহনবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং নোংমা লৈরগা সাউদি ইনর্জি মিনিষ্টর খলিদ অল-ফালিহনা টেলিভিজন ইন্টরভ্যু অমদা ৱা ঙাঙখিবনি।*

*ঐখোয়গী কিংদমদদি ঐখোয়না ওপসন খূদিংমক হাংদুনা থম্বা তাই, হীরম অসিগী মতাংদা প্রসিদেন্ট পুটিননা য়ারে অমসুং য়ানরবদি ২০১৮ ফাওবা দীল অসি চৎনহন্নবা শেম-শারে হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়না ফংলিবা অল অরাবিয়া টেলিভিজনদা হায়খি।*



*মহাক্না হায়খি, ইস্যু অদুগী মতাংদা রশিয়ানা তাথোক-তাশিন য়াবগী মওং উৎখিবসি মহাক্না তরাম্না ওকই অমসুং সাউদি গভর্নমেন্টসু ওপেকতা য়াওরিবা অমসুং য়াওদবা থাউ পুথোক্লিবা লৈবাকশিংবু লমজিংদুনা থাউগী কৈথেলবু ঐখোয়না পাম্বা ফিভমদা লৈহনবা য়ানবা তাথোক-তাশিন তৌদুনা য়ানবা পামই।*

*কৈথেলদা থাউ পুথোকপগী ফিভম হন্থহন্নবগী পান্দমদা সাউদি অরাবিয়া অমসুং রশিয়ানা ওর্গনাইজেসন ওফ দ পেট্রোলিয়ম এক্সপোর্টিং কনট্রিজ (ওপেক) অমসুং লম্বা ওইবা সপ্লাইয়র ১০ গী মরক্তা মথং চহী ২০১৮ গী মার্চ লোইদ্রিফাওবা থাউ পুথোকপা হন্থহন্নবগী দীল অমা পুরকপদা মতেং পাংখি।*

# কিমগী মীহাৎতা চেন্নবনি হায়বা নুপী অনীমক্তা ভি এক্সকী মচিৎশিং য়াওরম্বা থেংনরে : কেমিষ্ট

সাহ অলম, মলেসিয়া, ওক্টোবর ০৫ :

নোর্থ কোরিয়াগী লীদরগী পোক-মিন্নদবা ময়াম্বা হাৎপগী চার্জশিংদা মলেসিয়াদা ৱায়েল চথরিবা নুপী অনীদা অথিংবা থম্বা ভি এক্স নর্ভ এজেন্টকী মচিৎশিং থেংনখি হায়না গভর্নমেন্টকী কেমিষ্ট অমনা কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

কেমিষ্ট অদুনা কোর্টতা ফোঙ-দোকখিবা ৱারোল অদু মীহাৎ অদুগা ইন্দোনেসিয়ন নুপী সিটি আইস্যাহ অমসুং ভিয়েটনামিজ নুপী দোন থি হুৱোংগা মরী লৈনৈ হায়বগী অহানবা ইভিদেন্স ওইখি। নুপী অনী অসি হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৩ দা কুলা লম্পুরগী মী চিল্লবা এয়রপোর্ট টর্মিনেল মনুংদা থৌনা লৈনা চথুখিবা মী হাৎপগী থৌদৌ অমদা কিম জোং নামগী মমায়দা নর্ভ এজেন্ট তৈথিবশিংনি হায়না মরাল শীরিবনি।





গভর্নমেন্টকী সেন্টর ওফ কেমিকেল ৱেপন এনালাইসিসকী মকোক ওইরিবা রাজা সুব্রোমানিরমনা হায়খি, মহাক্না হুৱোংগী অঙৌবা জমপরদা খ্বাইদগী শেংলবা ভি এক্স অমসুং ভি এক্স প্রীকরসরশিং থেংনখি অমসুং হুৱোংগী খূৎকী খুজিনশিংদনা ভি এক্সকী গ্রেদ হন্থবা প্রদক্ত অমা থেংনখি।

এয়রপোর্টকী সর্ভেলেন্স ভিদিও-শিংদা হুৱোংনা অচৌবা অমুবা ময়েকশিংদা 'এল ও এল' হায়না ইবা অঙৌবা জমপর অমা লিৎপগী শক্তম উখি। ইংলিস ময়েক অহুম অসি 'লাফিং আউট লাউদ' কী এক্রোনিমনি।

কেমিকেল ৱেপন্স এনালাইসিসতা ডোক্টরেট ফংবা অমৎতা ঙাইরবা মলেসিয়ন অমা ওইরিবা কেমিষ্ট অদুনা হায়খি, লেবোরেটরি চাংয়েংশিং অদুদা আইস্যাহগী পান্থোম য়াওদবা টি-সার্টতা ভি এক্স এসিদকী মচিৎ থেংনখি। এসিদ অসি নর্ভ এজেন্ট অদুগী গ্রেদ হন্থরবা প্রদক্ত অমনি।

মহাক্না হায়খি, এটমোসফ্যেরদা এক্সপোজ তৌবা মতমদা ভি এক্সকী গ্রেদ হন্থরক্কনি অমসুং ঈশিংগা থেংনবা মতমদনা হেন্না থুনা গ্রেদ হন্থগনি। ভি এক্সকী প্রীকরসর অমসুং গ্রেদ হন্থবা ভি এক্স প্রদক্টশিং থেংনবসিনা নর্ভ এজেন্ট অসিমক য়াওই হায়বসি কনফার্ম তৌগনি হায়না মহাক্না কোর্ট অদুদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না কিমগী মমায়, মমিৎশিং, ফী-রোল অমসুং মহাক্কী ঈ অমসুং হক্কী ঈশিংদা ভি এক্স থেংনখি হায়নসু রাজানা কনফার্ম তৌখি।

# য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ফোর্স শীজিন্নরক্লবদি রশিয়ানা ভেনিজ্যুএলাবু শৌগৎলক্কনি : মাদুরো

মোস্কো, ওক্টোবর ০৫ :

করিগুম্বা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা ফোর্স শীজিন্নদুনা ভেনিজ্যুএলাদা খূৎ থিংজিল্লকপা থোক্লবদি সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অসিবু রশিয়ানা মতেং পাংলক্কনি হায়না মহাক্না চেৎনা থাজে হায়না মোস্কোদা চৎপা খোঙচৎ অমগী মনুং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ভেনিজ্যুএলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না হায়রুদ্রবসু ভেনিজ্যুএলাগী ডিফেন্স কেপাসিটি অমসুং সোভরন্টিগী ফিভম ফগৎহন্নবা ঐখোয়দা অহেনবা মতেং ফাওবা পীরক্কনি হায়না ঐহাক্না থাজে হায়না মাদুরোনা ইনর্জি ফোরম অমদা হায়খি।

প্রসিদেন্ট মাদুরোগী কম্মেন্টশিং অসি প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা ওগষ্টতা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগা মরী লৈনৈ হায়না লৌনরি। ট্রম্পকী ৱারোল অদুদা শেল-থুমগী ফিভম ফৎত্রবা কাং-খোং চাইবগী ফিভম লৈরবা ভেনিজ্যুএলাদা মরা চেৎপা ফিভম লাকহন্নবা য়ু এসনা মিলিটরি ওপসন খন্নরগনি হায়খিবনি।



মাদুরোনা মথংগী চয়োলদা রশিয়ন গভর্নমেন্টকা মিলিটরিগী লমদা কোওপরেসন পীনবগী ৱাফম খন্নরগনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

ভেনিজ্যুএলাগী লূচিংবা অসিনা রশিয়ন গভর্নমেন্টবু থাগৎখি অমসুং হান্নগী ভেনিজ্যুএলাগী লীদর হুগো চাভেজ অমসুং রশিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী মরক্তা লৈখিবা অমগা অমগা ইকায়খুম্নবগী মরী অদুগী মরমদা পনখি। লৈবাক অনীনা অমগা অমগা মতেং পাংনবদুনা হৌখিবা চহী ১৫ হেনবসিদা ভেনিজ্যুএলান ফোর্সশিংগী পাঙ্গল শরুক অহুম হেনগৎহনখি হায়নসু মাদুরোনা ফোঙদোকখি।

পুটিন অসি ঐখোয়না লৈনিংলিবা অনৌবা মালেম অসিগী লূচিংবনি। পুটিনদা ডিকোরম, ডিগনিটি অমসুং পীছ হায়বা মচাকশিং অসি য়াওই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মাদুরোনা ডেমোক্রেটিক ইনষ্টিট্যুসনশিং পায়শিনবগা লোয়ননা সোসলিষ্ট রেজিম অমগী মায়োক্তা ঈরাং হৌবা প্রোটেষ্টরশিংবু নম্ফুগী থৌওং চথুদুনা লাকশিন্নবা হোৎনখিবদগী য়ু এস অমসুং ভেনিজ্যুএলাগী মরক্তা মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা টেন্সন ৱাংলকখি।